# মালেমগী যোগ নুমিৎ পাঙথোকপা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

জুন ২১ অসি নুমিৎনা ত্রোপিক ওফ কেন্সরদা মপা চপ চানা থোকপা মতমনি। মসিগী মতুংদা নুমিৎ অসি মখারোমদা চৎখিদুনা সেপ্টেম্বর ২১দা ইক্বেটরগী মথক্তা চপ চানা থোক্লবা মতুংদা মালেমগী মখা থংবা শরুক্তা চৎখ্রগনি। নুমিৎ অসি (জুন ২১) অৱাং থংবা মালেমগী শরুক্তা অযূক-নুংথিল অসি খাইদুনা খ্বাইদগী শাংবা নুংথিল অমদি খ্বাইদগী তেনবা অহিংনি হায়বা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ওজাশিংনা তাকপীরকখ্রে। য়ুনাইটেদ নেসন ওর্গনাইজেসন (য়ু এন ও) হায়না খঙনবা মালেম লৈবাকশিংগী খ্বাইদগী চাউবা লূপ অসিনা কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বর ১১দা ফমখিবা ৬৯শুবা জেনরেল এসেমব্লিগী সেসন্দা জুন ২১ অসিবু 'ইন্টরনেসনল যোগ দে' হায়না খঙনরগনি হায়বা ৱারেপ লৌখি। নুমিৎ অদুগী মীফম অদুদা নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি মদুদি যোগ অসি ঐখোয়গী মমাঙৈঙে মীরোল কয়াদগী তাইবঙ শেন্বা মপুনা পীবিরম্বা মমল নাইদ্রবা খুদোলনি। যোগ অসি হকচাংগী শাজেল তৌবখক্তা নত্তে। মসিনা ঐখোয় ইশাগা, মালেম অসিগা, মহৌশাগী খূৎশেমগা অমত্তা ওইহন্নবগী লম্বীদা চৎমিন্ননবা খোঙথাংনি।

চহী অসিগী ওইনদি য়ু এন ও হায়না খঙনবা য়ুনাইটেদ নেসন ওর্গনাইজেসনগী ন্যু য়োর্কতা লৈরিবা হেদ ক্বার্টরগী অৱাং থংবদা লৈবা লম্পাক অদুদা য়ু এন ওগী ওফিসতা থবক তৌরিবা মালেমগী খেন্ন-খেন্নবা লৈবাকশিংদগী লাকখিবা নুপা-নুপীশিংদুনা যোগ তৌদুনা মঙারকশুবা ইন্টরনেসনল যোগ নুমিৎ পাঙথোকখি। মালেম অসিদা মীওই বিল্লিয়ন অনীরোম যোগ শান্নরি। মসিগী কান্নবা অসি মীয়াম্না নোংম-নোংমগী খঙনরক্লে। যোগনা হকচাংসু ফহল্লি, ৱাখলসু নুংঙাইহল্লি, নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনসু ফহল্লি। তাও পোরচোন লাইনচনা মশাগী চহী ৮ শুরকপদগী যোগ শান্নবা হৌখি। মহাক হৌজিক চহী ৯৭ হেল্লে। অহানবা যোগ নুমিৎ কুমজা ২০১৫, নোংমাইজিং, জুন ২১দা হৌদোকখি। চহী অসিদগী হৌনা মখা তারকপা ওইনা চহী খুদিংগী নুমিৎ অসি পাঙথোক্লি। কুমজা ২০১৫দগী হৌনা মথং-মথং কুমজা ২০১৬তগী ২০১৯ ফাওবা চহীগী ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকপগা লোয়ননা কুমজা ২০২০গী ওইনা চৎলিবা থা অসিগী ২১দা পাঙথোকখ্রে।



নুমিৎ অসিগী মরমদা নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি মদুদি যোগ অসি ঐখোয়গী মমাঙৈঙে মীরোল কয়াদগী পীবিরম্বা তাইবঙ শেন্বা মপুগী মমল য়াম্লবা খুদোলনি। যোগ শান্নবনা হকচাং শাজেল তৌবখক্তা নত্তে, মসিনা ঐখোয় ইশাগা মালেমগা, মহৌশাগী খূৎশেমগা শম্নহল্লি। ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিসনা সমুদ্রগী লৈমায়দগী ফুট ১৮,০০০ ৱাংবা মফমদা লৈবাক্কী মথৌ তৌদুনা লদাখতা লৈরিবশিংনা যোগ চাং নাইনা তৌরি অমদি মঙাশুবা মালেমগী যোগ নুমিৎসু শরুক য়ারি। হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা অঙাংশিং স্কুল কাহন্দ্রে, স্কুল থিংখ্রে। মরম অদুনা শান্ন-খোৎনবা পূন্নমক স্কুলদসু, লৈকায়দসু লেপখ্রে। হৌজিক্কী শান্ন-খোৎনবগী থৌরম লমহাংদা, মপান্দা শান্নবদা অথিংবা লৈবা মরম্না ইশাগী শাজে লগীদমক্তদি য়ূম মনুংদা যোগ আসন তৌবা অসিনা খ্বাইদগী অফবা থৌরম অমা ওইরে হায়বা অখঙ অহৈশিংনা হায়রি।

কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বর ২৭তা ফমখিবা য়ু এন ওগী জেনরেল এসেমব্লিদা নরেন্দ্র মোদিনা ইন্টরনেসনল দে ওফ যোগগী ৱাফম থাঙ্গৎখি। মদুদা মহাক্না অসুম্না হায়খি, যোগ অসি ইন্দিয়াগী মমাঙৈদগী হৌনা মমল নাইদ্রবা খুদোলনি। মসিনা পূক্নিংগা হকচাংগা পূনশিনবা ঙম্মী। ঐখোয়গী ৱাখল থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্মী। মসি ঐখোয়না মহৌশাগী খূৎশেমগা চৎমিন্নবা য়াই। মসি হকচাং ফবা অমসুং নুংঙাই য়াইফনা লৈনবা পূন্নমক্কী অফবা খোঙজং অমনি। মসি হকচাং শাজেল তৌবগী ৱাফম নত্তে। মহাক্না নঙোন্দা লৈবা সেন্স অদু দিসকোভর তৌবনি। ঐখোয়না নুংতিগী চৎলিবা শাজৎ, হিংবগী মওং অসি হোংদোক্লগা অফবা, নুংঙাই-য়াইফবা ফীভম অমা পুরক্কনি। ঐখোয়না ইন্টরনেসনল যোগ দে পাঙথোক্লবা খোঙথাং লৌখৎলি।

কুমজা ২০১৫দা রিজর্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা লুপা ১০ চৎপীগী শেল চান্দি (কোইন) ইন্টরনেসনল দে ওফ যোগগা মরী লৈননা পুথোকখি। মসিগী মমাঙদা কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বর ১১দা য়ু এন ওদা ইন্দিয়াগী পার্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ ওইরিবা অশোক মুখর্জিনা য়ু এন ওগী জেনরেল এসেমব্লিদা অহানবা ওইনা ৱাফম অসি থাঙ্গৎখি। দ্রাফ টেক্স অদুদা মেম্বর ১১৭না ইন্দিয়ানা থাঙ্গৎলমখিবা ৱাফম অদু ভোট তৌনদুনা অয়াবা পীখি। মালেমগী লুচিংবশিংগী অয়েৎপা অমত্তা লৈখিদে। মখা তারকপদা কুমজা ২০১৫গী জুন ২১দা অহানবা ইন্টরনেসনল যোগ দে পাঙথোকখি। আয়ুসকী মিনিষ্ট্রিনা শেম শাদুনা শিল-লাংখিবা থৌরম অদুদা মীওই ৩৫,৯৮৫না শরুক য়াখি। মদুদা নরেন্দ্র মোদি অমদি লৈবাক ৮৪দগী অচৌ-অশাংশিংনা শরুক য়াখি।

ন্যু দিল্লিগী রাজপাথতা মিনট ৩৫দা আসন ২১ পাঙথোকখিবা থৌরম অদু তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মীহুৎশিং য়াওনা পাঙথোকপা খ্বাইদগী চাউবা থৌরম ওইখি। নুমিৎ অদুদগী চহী খুদিংগী নুমিৎ অসি ইন্টরনেসনল যোগ দে হায়না পাঙথোক্লি। চহী অসিদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা যোগ তৌবগী কান্নবা অসি মালেমগী মফমশিংদা শিনবা থুংনা খঙনরক্লে।

ইন্দিয়া অসি যোগগী হৌরকফমনি হায়বা মীয়াম্না খঙনরে। ইন্দিয়াগী মমাঙৈগী অরিবা ধর্ম্মগী লাইরিকশিং, হকচাং শাজেল তৌবগী লাইরিকশিংদা যোগ আসনগী মরমদা শন্দোক্লা মগুন লৈরবা পন্দিটশিংনা ইদুনা মহৈরোয়শিংদা গুরুশিংনা প্রাক্টিকেলগা লোয়ননা তম্বীরম্মী। লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা হিন্দু ধর্ম্মগী পন্দিটশিং যোগ আসন শান্নবনা অয়াম্বনি। ঐখোয়না গুজরাট মচা মানিভাই হারিভাই, গুজরাটকী সুরত্তা কুমজা ১৮৯৭কী নবেম্বর থাদা পোকখিবা, ফাদর ওফ মোদর্ন যোগ হায়না খঙনবা নুপা অদুগী মরমদা খঙনরে। মহাক কুনশুবা সেঞ্চুরিদা খ্বাইদগী মশক মমিং লৈরবা যোগগী ওজা ওইবখক্তা নত্তনা হীরম অসিবু মালেম পূম্বদা পাক শন্না শন্দোক্লবা হোৎনরম্বা লময়ানবনি। মহাক 'হাথা যোগ' অমুক হন্না হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনখিবা নুপানি। মহিশুরগী নিংথৌ কৃষ্ণ রাজা ৱাদিয়ার মরিশুবনা মাহকপু ইন্দিয়াগী মরু ওইবা মফমশিংদা থাদুনা (চৎহন্দুনা) যোগ আশনগী কান্নবশিং অদু শন্দোকহনখি। যোগ নিংথিনা, পরম চুম্না, চাং নাইনা তৌবা মীওইশিং অয়াম্বা চহী চান্মা য়ৌনা পুন্সিবশিং য়াওই অদুবু চহী ৯৫গী মথক্কী অয়াম্বনা ওইবা থেংনরি।

অতোপ্পা ঐখোয়না নীংশিংবা য়াবা লৈবাক অসিগী যোগবু মালেম পূম্বদা শন্দোক্লবা হোৎনখিবশিংগী মনুংদা কুমজা ২০১৪দা পদ্মা ভুষন পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা বেল্লুর কৃষ্ণনামাচার্য়ন সুঙ্গরাজন আয়েঙ্গরবু ঐখোয়না ফাদর ওফ দ মোদর্ন যোগ হায়না খঙনরি। মহাক্না ইন্দিয়াগী মফমশিংদা যোগ তৌবগী কান্নবশিং শন্দোকখিবদা নত্তনা মালেমগী মফমশিংদা চৎতুনা যোগ তম্বীখি অমদি মসিগী কান্নবশিং খঙহনখি।

যোগগী শাজেল অসিগী কান্নবশিং অসি ঐখোয়গী লমদম অসিদা লৈবা মীওইশিংনা ঙল্লিঙৈগী মতমদা খঙবগী চাং য়াম্না ৱাৎলম্মী। অদুবু তপ্পা তপ্পা মীয়াম্না পান্নরকখি অমদি মসিগী কান্নবশিং খঙলকখি। লমদম অসিগী কম্ম্যুনিতি হোল, মান্দব, শঙ্গোয়, ক্লব অমদি লম্পাকশিংদা যোগ তৌবগী চৎনবী অমা লাক্তুনা মখোয়গী মরক্তা মখোয়বু লুচিংবা ঙম্বা ওজা, ডোক্তর, এঞ্জিনিয়র, উকিল অমদি মরু ওইবা মীওইশিং য়াওদুনা মীয়াম্বু লমজিংবীরি। ●

# ষ্ট্রান্দেদ অমদি কম্ম্যুনিতি ক্বারন্টিন সেন্টরদগী মীৎয়েং অমা

- নিসা বাশি -

লম লৈজদবা লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাংগীদমক ইন্দিয়া পূম্বগী মীহুৎ য়াওবা মীফম অমা দিল্লিদা ফমদুনা মদুগী ৱারেপ্তু পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা দিমান্দ ওইনা পীশিন্নবা হৌখিবা মার্চ ১২, ২০২০দা চান্দিগড়দা লৈবা ইচানুপাগী মনাক্তা মতম খরা চঙলম্লগা মীফম নুমিৎ মার্চ ২০, ২০২০ নংনবা খরা মাঙজৌননা মণিপুরদগী লাকপা দেলিগেটশিংগী অশিন-অরাং তৌনবা ৱারেপ অমা পুদুনা হৌখিবা মার্চ ২২,২০২০গী ইম্ফাল থোক্লক্লবা টিকেট পায়দুনা ইমুং-মনুংগা লোয়ননা দিল্লিদা চৎখি। অদুবু মার্চ ১২, ২০২০গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৪.৩০ মুক তাবা মতমদা কোভিদনা মরম ওইদুনা মীফম য়েথোক্লে হায়না পাউ লাকখি।

ঐ চান্দিগড়দা ইচানুপাগী মনাক্তা হনবগী মতম ঙাইবা ওইনা লৈখি অদুবু মার্চ ২২, ২০২০দু মরম পীদনা কেন্সেল তৌরকখি। কোন্নদি নুমিৎতো জনতা কর্ফিয়ু ওইরমখি। মতুং তাবা ওইনা মার্চ ২৭, ২০২০গী টিকেট ককখি মদুসু তাং ২৫দগী ইন্দিয়া পূম্বা লোকদাউন তৌদুনা নুমিৎ ৭৫নি চূপ্পা দিল্লিদা লমদন্দুনা ইম্ফাল থোরকপা য়াবা মতম ঙাইদুনা লৈখি।

কোভিদকী লাইচৎ মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লে, মদুগী মতুংদা ইন্দিয়া অমদি মণিপুরসু চৈথেং ফংলে, ঐখোয় পূম্নমক খাঙমিন্নরে। মণিপুরদা মহৈরোয় লূপ্তুগী হৌরগা লৈঙাক্কী, পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি মখোয়গী থৌমীশিং, জর্নেলিষ্টশিং, প্রোফেসরশিং, ইকোনোমিষ্টশিং, হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিং, ডোক্তরশিং, সাইকোলোজিষ্টশিং অমদি হীরম কয়াদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা মপান্দা লমদন্দুনা লৈরিবা মীওই লিশীং ৪০গী মথক্তা অমদি মখোয়গী অৱা-নুংঙাই, মখোয়বু মণিপুরদা পুথোক্লবগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা অপাম-পামদা কয়া ফোঙদোক্লখিবা লৈরে। ইন্দিয়াগী মফম শীনবা থুংনা লৈখ্রবা মণিপুর মচাশিং মণিপুরদা পুথোক্লবা থেংলবসু থেংনা মণিপুর লৈঙাক্লা হোৎনবিখিবা ইকায়খুম্নজরবা চীফ মিনষ্টির এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিবুসু থাগৎচরি। য়ূমদা পুথোকপীনি হায়দুনা লাউথোরকপা, মদুদা ফাওখিবা নুংঙাইবা সাইকোলোজিকেল রিলিফতু কাউঙমদবা মীকুপ অমা ওইহৌরগনি। অদুবু ষ্ট্রান্দেদ পিপলশিংগী মফমদা মণিপুরদা লৈরিবা মীওইশিংনা খরা খারপ য়েংবা মীৎয়েং ঙসি ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থেংনরিবা থৌওং খরগা চুশিন্নদুনা য়েংবদা করিগুম্বা খরা হায়জনীংবা ফাওরকই। ঐখোয়না মীরমদা লমদনলিঙৈগী মতমদা ঐখোয়গী পূক্নিংদা ফাওখিবসি ইন্দিয়াগী ওইনা মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলকপা মরু ওইনা রেদ জোন এরিয়াদা কন্টেনমেন্ট জোনশিংগী মরক্তা লৈরুবনা অদুক্কী মতিক লাংতক্লবা ফাওখি ঐখোয়গী ইরক্তা। ঐখোয়গী ইমাঙদা অনাবা মশীং নোংম-নোংমগী ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকপা অদুগা কোভিদকী পেনে দমিক কৈদৌঙৈ লোইগনি হায়বগী ৱাফম চপ চানা হায়বা ঙল্লক্তবা, প্রাইম মিনিষ্টরনা খুদক্তা লোকদাউন লাউথোকপগী মহুত্তা হৌজিক চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবা অসিগুম লৌখৎলগা নুমিৎ ৪/৫নিদং পীরগা ময়ূম-ময়ূমদা হনহল্লম্লবদি লৈঙাক্তসু কোক শাদবা, ময়ূম হঞ্জনীংবা কাঙবু অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংসু পূক্নিং ৱাখল লাংতক্লবা হন্থহল্লম্বা য়াই । মসি ঐগী পূক্নিংদা ফাওরকপা ৱানি। খন্ন-নৈননীংবশিং অদু অয়াম্বনা লমদন্দুনা লৈহৌরিবা মীওইশিংদি মখোয়-মখোয়না লৈরিবা মফমশিংদা অদুমক খাংদুনা লৈহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি, ইনফেক্সন তৌদ্রবদি অদুম লৈবা অদুগা তৌরগনা মদুগী মখা তাবা খোঙথাংশিং তাকপীরমদবা, মশাগী মরন্নাই অমদি ইমুং-মনুংগী লাইবক্তা তম্বা, কমদৌনি লাইবক্কীনি হায়দুনা লমদনলিবা মফমদুদা লৈহন্নীংবসু য়াওখি। মপান্দা লমদন্দুনা লৈহৌরিবা মীওইশিং মমা লৈবাকপু য়াম্না নুংশিজবা, শিরবসু মমা লৈবাক্কী লৈশাদা পোৎলোইবা ফংজনীংবা মীওই ঙাক্তনি, লোকদাউন মনুংদদি মসিগী ওইথোকপা লৈরোইদৌরিবনি, কোভিদনা শিবনা হেন্না থৱায় য়াওদবা হকচাংদু মমা লৈবাক্তা তুমহনলোইদৌরিবনি অদুগা অতোপ্পা অনাবশিং হায়পরটেন্সন, দাইবেটিস, কেন্সর অমদি অতৈ কুমপুবা অনাবশিং ইম্ম্যুন শোল্লবা ক্রোনিক দিজিজনা নারবা কয়া-কয়াদি অসুম্না লোকদাউন তৌরক্কনি খঙদবনা মশাগী হীদাক লাংথক, অনা লায়েংগা মরী লৈনবা মীওইশিং উনবা চৎনবা হোৎনবদা খুদোং চাদবা কয়া-কয়ানি মায়োক্লরিবা। অসুম্না ইমা লৈবাক্তা পোৎলোইজবা ফংলরোইদ্রা খনবা মীকূপ কয়া য়াওখিদবা নত্তে অদুগা ইমা লৈবাকপু নুংশি-নুংশিনা হেন্না নুংশিজবদি ইরৈচাশিংনি, ইরৈচাশিং লৈত্রবদি ইমা লৈবাক্তা কনানা লৈবীহৌগনি!

মপান্দা লমদন্দুনা লৈহৌরিবা মীওইশিং অসি চাউরাক্লা কাঙলূপ মঙা থোক্লা খাইদোক্তুনা য়েংবা য়াই :-

(১) মহৈরোয় (২) অনা-অয়েক্কী লায়েংনবা চৎপা (৩) মতম খরগী লন্নাই থবক্কী নৎত্রগা লম কোয়বা চৎপা (৪) হিংননবা অফং-অফংবা থবক-ইনখাং শূবা চৎপা/লন্নাই কম্পেনিশিংদা থবক তৌবা (৫) মফমদুদা লৈঙাক্কী থবক তৌবা।

হায়রিবা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মীওইশিংসিগী মনুংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী/ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মখাদা লৈবা লোইশঙশিংদা থবক তৌবশিং নত্তনা লেমহৌরিবা অতৈদি খুদোং থীবগী খুদোংথীবা ঙাক্তনি। কোভিদতি দল্লিয়ু ঐচ ওগী গাইদলাইন ফজনা ইনবিরবদি থোইদোক্লা কিনীংঙাই লৈতে অদুবু লমদন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং অদুদি কোভিদ লৌনরক্কদ্রা হায়না কিবগী মথক্তা চাদবা য়ারক্তে, লৈনবা কাগী অশানমন পীদবা য়ারক্তে। লমদনবা হায়বসিমক্তবু মীনৌ ঙাক্তনি, মফমদুগী লম্মীৎ-তুমিৎ চৎনবীনচিংবা খঙবা নত্তে, লোকদাউননিনা খঙদবা হংবগী খুদোংচাবা লৈতে। মহৈরোয়শিংগী ওইনসু হোষ্টেল পূম্নমক থিংজিনখ্রবনি, খঙন-চান্নবশিংগী কাদা লৈগদৌরিবনি। কাখু অমদা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তনা ময়াম পূম্নমক লৈমিন্নরিবনি, মদুদা য়ূম্থুনা য়াবা-য়াদবা কয়া-কয়ানি। পোৎ লৈবদা পীরক্তবা কয়া-কয়া ময়াম্না মিদিয়াদা উবীরিবনি। ময়ামনা উবা ফংখিদবদি ইন্দিয়া শীনবা থুংনা লৈখ্রবা মণিপুর মচাশিং মণিপুর লৈঙাক্লা লোইনা মতেং পাংবা ঙম্বা নত্তে, ঙমফমসু থোক্তে, ঙল্লিবা খরদুসু চেঙ কেজি ৫ মদুগা লোয়নবা খরনা নুমিৎ ৭৩ হিংবা ঙমগদ্রা, তেংবাঙনা মী খুদিং কোনশিনখিবা নত্তে মদুসু লুপা লিশীং ২না কয়াম কুইনা হিংবা ঙমগনি, রেসিএল দিসক্রিমিনেসননি, লমদনলিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা মচা-মনাও লাইরিক-লাইশু তমহনবগী পোৎলুম পুবা মীওই কয়া য়াওরিবনি। ইমুং-মনুংদা অনা-অয়েক, অশি-অনা য়াওরক্লবদি কমদৌবা। ইমুং-মনুং উননীংবা কয়ানি। মণিপুরসু লেঙ ওৎপা য়াদ্রবনি অদুনা ইমা লৈবাক মণিপুরদা হল্লকনীংবনি। ইমা লৈবাক য়ৌরগদি হিংলগনি খঞ্জবনি।

লমদনলিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদি করি অমুক হায়রুনি মপালদা লৈখিবা মমা-মপা, মচা-মনাওশিং অদুতগী খনবদা লাইমন ওইরিবনি। করি চারমগনি, মশা কৈসু তৌরমলোইদ্রা, না য়েক্লিব্রা, কৈদৌঙৈ হল্লক্কনি, কৈদৌঙৈ লৈঙাক্লা পুথোক্লবা শীনবীগনি হায়না চপ মান্ননা ৱামিন্নরিবনি। অসিগুম্বা ময়ামসিগী মরক্তা মে ০২, ২০২০দগী লমদনলিবা ময়ামসে লৈঙাক্লা পুথোকপীবা হৌরক্লে। লাইবক থীবদি পুথোক্লিবা ময়ামশিংগী মরক্তা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা য়াওরমদুনা গ্রীন জোন ওইজরম্বা মণিপুর মদুগী ফীদা মাঙখ্রে। মীয়াম্নসু অমুক্কা হেন্না কোভিদ শন্দোরক্কদ্রা হায়দুনা অকিবনা থুমহৎখ্রে। মসি ঐখোয়না ইম্ফাল অমদি য়ূম থাদোক্লম্বা নুমিৎ ৮৩গী মতুংদা ক্বারন্টিন সেন্টরদা য়ৌরকপা মতমদা ময়েক শেংনা উরে। মপান্দগী লাক্লিবা মীওই খুদিংমক কোভিদকা লোয়ননা লাক্লিবনি হায়না খনবা অচুম্বা ৱাখলনি অদুগা লাক্লিবা ঐখোয়নসু চপ মান্ননা মণিপুরদা লৈরম্লিবা মীওইশিং অসিসু কোভিদকা শাগোন্নদুনা হিংলমগদ্রা খনবা অফবনি। অদুবু লাক্লিবা মীওই খুদিংমকপু কোভিদ ওইনা উবদি অরানবনি। অফবা ক্বারন্টিন সেন্টর কয়াগী পাউ তারে, লৈরম্বা ইনমেটশিংনা পেনমন্দুনা য়াম্বা য়ামদবা মতেং পাংলম্বা ঐখোয় উরে অদুম ওইনমক অয়াম্বা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদগী মান্নবা ৱাকৎ কয়া লাক্লি - লৈফম চাফম, চাবা থকপদগী হৌরগা য়াম্না ফজদবা লোনশিং শীজিন্নবা তারি, কমপ্লেন কনামত্তা তৌবা য়ারোই, কমপ্লেন অমত্তা তারোই, ঐখোয় ভল্যুন্টিয়রশিংসু ৱারিবনি, ফাইভ ষ্টার হোটেলদা লৈরুরো হায়বনচিংবা খোন্দা ফজদবা ফুট ২০-৩০গী মথক্তা লৈদুনা লেপঙাঙ ঙাঙবা, কাদগী হেন্দোকহন্দবা, ৱাশরুম মতিক চাদবা, থোঙনাও হাংদোকহন্দবা, ষ্টাফশিং নৎত্রগা ভল্যুন্টিয়রশিংনা সেন্টরদুগী চৎন-কাঙলোন নিংথিনা খঙহন্দবা, মেদিকেল চেক-অপ থর্মেল স্ক্রিনীংদগী হৌরগা টেষ্ট তৌবনচিংবগী থৌরাং, ক্বারন্টিন সেন্টরদুগা মরী লৈনবা পাউ, চাবা থকপনচিংবগী মতম নীংথিনা খঙহন্দবা, অরি-অনৌ পূন্না থম্মিন্নবা কয়াগী ৱাকৎ লৈরি।

ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক অনাবা নত্তে, মশা অশোনবা ঙাক্তা নত্তে। মশাগী থবক মশানা তৌজবা য়াই, সেন্টর মনুংদা ষ্টাফশিং নৎত্রগা ভল্যুন্টিয়রশিংনা তৌনীংদবা থবক ৱাইশিৎ-ৱাইরমনচিংবা থবক খুদিংমক ওকুপেসনেল থেরাপিগী মওংদা মথৌ তাবা মচাকশিং খুদম ওইনা রুম ফিনাইল, শেংদোক-শেংজিনগী পোৎশিং পীরগা ইনমেটশিংনা তৌজবা য়াই। মদুনা ইনমেটশিংগী পূক্নিং ৱাখল ফহনবা, মশা মউ খিং-খিং লাউনা অমদি তরূ-তনান্না লৈহনবদা মতেং ওইগনি লোয়ননা ভল্যুন্টিয়রগী মশীং লিক্লা শীজিন্নবা য়াহনগনি।

মপান্দগী নাদনা নৎত্রগা নারগা লাক্লবসু ক্বারন্টিন মনুংদা নারকপা য়াবগী ওইথোকপা য়ারিবমখে লৈহন্দনবা, কম্ম্যুনিতি ট্রান্সমিসন থোক্তনবা, লোয়ননা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা অনাবা লৌনরকপদগী হৌরগা পামদবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোকপা হন্থহনসি হায়রবদি ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা চৎনগদবা চৎন-কাঙলোন অমা চপ চানা শেম্বখক নত্তবদা ইলহনবা মথৌ তাই। মদুগী মনুংদা সেন্টর অদুগী চৎন-কাঙলোন ইনভেটেশিং অদুদা লায়না খঙজনবা থেৎতোকপীবা নৎত্রগা চঙলকপা নুমিৎতুদা তাকপীবা, সেন্টরদুদা লৈগদবা ষ্টাফশিং নৎত্রগা ভল্যুন্টিয়রশিং নিংথিজনা ট্রেন তৌবীবা লোয়ননা মখোয়বু হ্যুমেন টচ লৈনবা ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নহন্নবা, সেন্টরদুগী ইনচার্জ য়াওনা পাউতাক পীবীবা, মতম মতমগী ঈ-পাউ ফংহনবীনবা হোৎনবা, চাং নাইনা মেদিকেল চেক-অপ তৌনবা অমদি মতম চানা টেষ্ট তৌনবা শীল-লাংবা অসিগুম্বা অচম্বা, ইরায় লায়বা খরখক অসি তৌবীবা মতমদা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী ক্বালিটি অঙকপা ফংনা হেনগৎলক্কনি। ইনমেটশিংনা খঙই মদুদি ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা অহাওবা চাবা লাকপা, নুংঙাইনা লৈবা লাকপা নত্তে অদুগা চানীংঙাই-লৈনীংঙাই লৈত্রে হায়দুনা লাকপসু নত্তে, তঙাইফদবা চৎন-কাঙলোন অমগী মখাদা বেসিক নীদস খরদু ফংহনবদা অমদি নুংশিবা ৱাহৈ-ৱাতা খরদং শীজিন্নবদা পূম্নমক নুংঙাইনা লৈগনি। কা অমদা ঈ-পাউ অমত্তা খঙহন্দনা লানফাদৌনা থল্লবদি ৱাথোক য়ামখৎলক্কনি, চাক-ঈশিং, অচা-অথক অহাওবা ময়াম অমা পীরবসু ঈ-পাউ অমত্তা খঙহন্দনা লাইচৎসিগা মরী লৈননা তৌফম থোকপা তৌদনা লৈরবদি য়ূমদা লৈবগা মান্নে খলহল্লবদি লাইচৎসি থিংবদা খুরৌ থাংগনি, লৈঙাক্কী শেনফুসু ময়েং তাগনি, লৈবাকসিগী রিছোর্সেসশিংসু কান্নদবদা মাঙগনি।

লাইচৎসি কিবা ফৈ অদুবু অকিবনা তুহৎপসি হেনমনখ্রে। ঐখোয়গী লৈবাক্তা লৈরিবা মীশিংসিনা অসুক তাথী-তাওইনা, হঙ্গোইনা তৌরিবসিগা হায়রুরবদি মপাল লৈবাক্কী রেসিএল দিসক্রিমিনেসন হায়বদুদি করিসু নত্তে। লৈবাক মচাশা ৱাখল মীৎয়েং খরা হোংদোকমিন্নসি, লাইচৎসি মতম কুইনা লৈখিগনি, ঙসি হয়েংমক লোইররোই, অমনা অমদা মরাল থংজিনবা মতমদু নৎতব্রা খঞে। লাইচৎসিগা লোয়ননা হিংবা হৈনবা, থেংনবা হৈনবা হোৎনমিন্নসি। অঙম্বা মতেং পাংনদুনা পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইনা লৈমিন্ননবা মীওইবগী মীনুংশি হায়বদুগা লোয়ননা থেংনমিননবা হোৎনমিন্নসি। ●

**Delta Advance School** (ৱাংথায়)
Kwakeithel, Imphal (Affiliated to COHSEM)

Admission for Class XI (Sc. & Arts)
through Online/Offline for 2020-21 session

Due to the nCovid-19 Lockdown, the school has given an oportunity to the aspirants of Delta Advance School that

Admission fee will be FREE for 60% & above
Admission fee will be only Rs.1,000 for 45% & above but below 60%

This opportunity is for first 100 students only & ends on 20th June, 2020

For other benefits/facilities, kindly visit Office or website & submit the Original Admit Card for joining Full online Classes.

Website: deltaadvanceschool.com
HL-B/6219/17/6-16/7
Sd/- Principal

## MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY
## SECRETARIAT

**NOTIFICATION**

Imphal, the 22nd June, 2020.

***No. 1/17(3)/2017-LA(E)Misc.Pt.II*:(I)**. It is hereby informed to all the intending candidates who had earlier collected forms for direct recruitment to 1(one) post of Assistant Security Sub-Inspector (A.S.I.), 3(three) posts each of Sweepers and Malis respectively in Manipur Legislative Assembly Secretariat that the submission of forms which was postponed earlier can be submitted via **email id - mlamanipur@gmail.com, whatsapp No.8131080978 or personally from 24-06-2020 to 26-06-2020at the Assembly Secretariat, during office hours.**

**(II)**. Further, applications are invited from the intending candidates for direct recruitment to the lone vacant post of Mechanic Grade-III in the Manipur Legislative Assembly Secretariat, on regular basis. Application forms will be available upon an email request to the **email id - mlamanipur@gmail.com, whatsapp No.8131080978** or collected **personally from the Assembly Secretariat from 24-06-2020 to 26-06-2020** and duly filled-in form shall be submitted to the **email id-mlamanipur@gmail.com & whatsapp No. 8131080978 or personally at the Assembly Secretariat, during office hours** from **25-06-2020 to 27-06-2020**. There shall be relaxation of upper age limit for those applicants who have the experience of working in the Assembly Secretariat or any Govt. Department /Organisation/Institution to the extent of number of year(s) they have served on contract or regular basis.

**1(One) post of Mechanic Grade-III:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | UR | ST |
|---|---|---|---|---|---|
| Pay Band – Rs.5,200-20,200/- Grade Pay- Rs.1,800/- p.m. with admissible allowances. | 1. Class VIII passed. 2. Knowledge of Motor Mechanic from a recognised institution at least 5 yrs. experience. 3. Holder of Driving Licence. | N.A. | i) Min.18yrs. Max. 38 yrs. (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC candidates.) | 1 | 0 |

***Terms and Conditions:***
1. Decision of the authority as to the eligibility or otherwise of the candidates will be final.
2. This notification may be cancelled at any time without assigning any reasons thereof as per decision of the authority.
3. The number of post(s) may be increased or decreased subject to availability of vacancies from time to time.
4. Detailed information can be had from the office of the undersigned during office hour.

Furthermore, the date of issue of Admit Card /date of PET/Interview for direct recruitment to the following categories post(s) are listed at the table below:

| Sl. No. | Name of the Post | Date of issue of Admit Card | Date of PET(A.S.I) / Interview | Venue |
|---|---|---|---|---|
| 1. | A.S.I. & Mechanic Gr-III | 27/06/2020 to 29/06/2020 (Till 10:45 a.m) | 29/06/2020 (11:00 a.m. onwards) | Office Room of Secretary |
| 2. | Sweeper & Mali | 27/06/2020 to 30/06/2020 (Till 10:45 a.m) | 30/06/2020 (11:00 a.m. onwards) | Office Room of Secretary |

**Reporting Time for PET(A.S.I) / Interview: 10:30 a.m. of the afore-said date & time.**

*Sd/-*
**G. Tapankumar Sharma**
*Joint Secretary (Admn.),*
Manipur Legislative Assembly.

HL-B/62332/23&24

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।